**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-07-2025)**

**কার্গিল(এল)ঃ** লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকপগুম মনিপুরদসু হয়েং কার্গিল বিজয় দিবস থৌরম পাঙথোক্কনি। রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমসুং দি.জি.পি. রাজিব সিংহ্ শরুক য়াগনি।

**ফিল্ম(এল)ঃ** মাই সিটি, মাই রেস্পোসিবিলিতি হায়বা হীরমদা **রাজ্যগী** দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পাব্লিক রিলিন্সননা শিনদুনা পাঙথোকখিবা সোর্ট ফিল্ম কম্পিটিসন ২০২৫ গী ফল লাউথোক্লে। চাংদমবা অসি ৱারী লীবগী খুত্থাংদা সমাজগী ওইরিবা সমস্যাশিং মীয়ামদা খঙহন্নবনি। চাংদমবা অসিদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা অহুম খনখি।

চাংদমবা অসিদা দেব দর্শন গুরুময়ুমনা দিরেক্সন পীবা তমজনিংঙাইনা অহানবা, ৱাইখোম গুসন মীতৈগী-মাই লিটল গার্জিয়াননা অনিশুবা অমসুং হিজম ইবোমচা সিংহগী-থৌদাংনা অহুমশুবা তারে। মসিগী মথক্তা কন্সোলেসন প্রাইস অনিসু পীখি।

দি.আই.পি.আরনা 'সে নো টু সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক, ই-চলান এৱারনেস, য়ুনিতি ইন দাইভরসিতি অমসুং সপোর্ট-দোন্ট পানিস' হায়বা হীরমসিদা সোর্ট ফিল্ম কম্পিটিসনগীদমক য়াওনিংবশিংনা এন্ট্রি থাজিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

**স্কুল (এল)ঃ** একাদমিক সেসন ২০২৬-২৭ তগী সরকারগী, এদেদ অমসুং

প্রাইভেট (অনএদেদ) স্কুলশিংদা ক্লাস ৱানদা মীং চনবগী চহি অসি য়ামদ্রবদা ৬ কী মথক ওইরগনি।

মণিপুর সরকারগী ইদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-নরসরিদা মীং চনবগী চহিনা চহি অহুমগী মথক ওইগদবনি, এল.কে.জি অমসুং য়ু.কে.জি তম্বগী চহিনা চহি ৪ অমসুং মঙাগী মথক ওইগদবনি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** রিছার্স ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজি (রিস্ত) অমদি মনিপুর মেথেমিটিকল সোসাইতিনা পুন্না শিনদুনা অথোইবা সাইনিষ্টশিংদা পীবা রিস্ত দিসতিংগুইজ সাইন্টিষ্ট এৱার্ড ২০২৫ খুৎশিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কুমশি চহিগী ওইনা মনা অসি লমদমসিদগী হৌখ্রবা হৌজিকা য়ুনিভরসিতি ওফ সেফিল্ড, য়ুনাইটেদ কিংদমদা মেথমেটিক্সকী প্রোফেসার ওইনা লৈরিবা ক্বাকৈথেলদগী ডা: জয়েন্ত মনোহর ময়ুমদা খুৎশিন্নখি। মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা দি.এম. য়ুনিভরসিতিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-এন. রাজমোহোন সিংহ অমসুং রিস্ত ইম্ফালগী দাইরেক্তর প্রোফেসার-এন. নিমাই সিংহনা মীথুংলেন অমদি থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৪ শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দো

দাক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**প্রসার (এল)ঃ** প্রসার ভারত্তিগী মখাদা অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল ন্যুজ য়ুনিটকী ওইনা ফুল টাইম কন্ট্রেক্ট বেসিস্তা এদিটোরিয়েল একজিক্যুতিব-ন্যুজ রিদর কম ত্রান্সলেটর (মনিপুরি) লৌননবা এপ্লিকেসন থাজিনখিবা কেন্দিদেটশিংগী মরক্তগী তঙাইফদবা ক্বালিফিকেসন শুরবা, পোষ্ট অসিগী রিটন একজামিনেসনদা শরুক য়াবা য়ারবা কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট থোক্লে। লিষ্ট অসি অকাশবানি ইম্ফাল, পেলেস কম্পাউন্দগী নোটিশ বোর্ড নত্রগা রিজনেল ন্যুজ য়ুনিট, অকাশবানি, ইম্ফালদগী খঙবা য়াগনি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক কোবিদকী এক্তিব কেস ১৯ লৈরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা সেম্পল ১১ টেষ্ট তৌবদা মীওই মরি নৌনা পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা মাওই তরেৎ টেষ্ট তৌবদা মীওই অহুম অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা মীওই অহুম টেষ্ট তৌবদা মীওই অমা পোজিটিব ওইবা থেংনখি। পোজিটিব ওইবগী চাং চাদা ৩৬.৪ নি। হৌজিক ফাওবদা পুন্না সেম্পল লিশিং ১,৪৪১ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩৪৭ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। ঙসি মীওই অমা নাবা ফখিবগা লোয়নবা হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ৩২৮ নাবা ফখ্রে। হোম আইসোলেসনদা হৌজিক এক্তিব কেস ১৮ লৈরি।

**চাইল্ড(এল)ঃ** চরিক পরেং চাইল্ড ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা শিনদুনা মসিগী ওফিসতা নেসনেল এৱার্দি-ঙাংবম ইনাউচা সিংহ ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইনাউচা সিংহ থা অসিগী ১৩ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা বাবু জগ জিবন

রাম কালা সংস্কৃত্তি অমসুং সাহিত্য একাডমী-দিল্লিগী নেসনেল কনফরেন্সতা-ডা: বি.আর. অম্বেদকর নেসনেল সমান পদক-২০২৫ খুৎশিন্নখিবনি।

**য়ুনিভরসিতি (এল)ঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিদা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংদা-এম.এ, এম.এ.সি, এম-কোম, এম.পি.ই.এস, এল.এল.এমদা ফার্ষ্ট সিমিস্তর তমনিংবশিংনা ওন লাইনগী খুত্থাংদা এপ্লিকেসন থাজিল্লকপা য়াগনি। ওন লাইনদা এপ্লিকেসন ফোর্ম জলাই ২৮ দগী থারগা আগষ্ট ৮ ফাওবদনা এপ্লিকেসন পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ ওইগনি। মহৈরোইশিংনা ডব্লিয়ু.ডব্লিয়ু.ডব্লিয়ু. দোট দি.এম. য়ু.দোট এ.সি. দোট ইনদা চংলগা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোল য়ুনিভরসিতি অসিদগী খঙবা য়াগনি।

**সেন্সস (এল)ঃ** কেম্পইন ফোর জজ এন্দ ফিয়ার দিলিমিনিটেসন অমসুং পাউরাবী দিবলপমেন্ট কমিতিগা খুৎশমদুনা মাকোক থিবগী মতাংদা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবিদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা কেম্পইন ফোর জজ এন্দ ফিয়ার দিলিমিনিটেসনগী কনভেন্নর-জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়-হৌজিক লমদম অসিদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা লৈরিঙৈ চৈরক্তা মীকোক থিবগী থবক চত্থগনি হায়রিবা অসি লেপ্পনা ফগনি। মহাকা হায়-হৌজিক থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা অসি মীতোপশিং চংশিল্লকপদগীনি। মরম অদুনা মীকোক থিবগী থবক চত্থদ্রিঙৈদা মীতোপশিং খঙদোকপনা অচুম্বা ওইগনি।

**ফয়ার (এল)ঃ** মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা করমা শেম শাগদগে হায়বসিদা ১৪৩ বটালিয়ন সি.আর.পি.এফ. পার্সোনেলশিংগী ওইবা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা প্রোগ্রাম অমা ঙসি মনিপুর ফয়ার সার্ভিস হেদক্কাটর ইম্ফালদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ফয়ার সার্ভিসকী দাইরেক্তর-এল. নবাচন্দ্র অমসুং ১৪৩ বটালিয়ন সি.আর.পি.এফকী কম্মান্দেন্ট-রবিন্দর শর্ম্মা শরুক য়াখি। অহৌবা নুমিৎতা সি.আর.পি.এফ. পার্সোনেল ৫০ রোম শরুক য়াখি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং ৱান স্তোপ সেন্টর-উখ্রুলনা পুন্না শিনদুনা প্রি-কনসেপসন এন্দ প্রি-নেটেল দাইগোষ্টিক টেকিক এক্ট-১৯৯৪ অমসুং জেন্দর দিসক্রিমিনেসন ইনক্লুদিং ইলিমিনেসন ওফ বাইওলেন্স এগেনষ্ট ৱিমেন হায়বসিগী মতাংদা মীয়ামবু খঙহনবগী থৌরম অমা পেত্রিগিয়ু কলেজকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা দিষ্ট্রিক্ট ইম্ম্যুনাইজেসন ওফিসার-ডা: পমজা লুইখমনা এক্ট অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। থৌরমদুদা কলেজ অসিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

**লেকচর (এল)ঃ** সেনাপতি অমসুং কাংপোকপী জিলাগী লেকচর এসোসিয়েসন মনিপুরনা মখোয়গী থবক অথুবা মতমদা রিগুলরাইজ তাহনবীনবা অমদি সরকারনা প্রস্তাব তৌরিবা কন্ট্রেকচুয়েল সেলরিবু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ঙসি সেনাপতিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ইং ২০১৮ বেটচকী লেকচরশিংগী খুদোংচাদবশিং সরকারনা মতম চানা য়েংশিনদ্রবদি মখা তাবা খোঙজংশিনগনি হায়রি।

**ককচিং(এল)ঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং ট্রাফিক ওফিসারশিংগী রিফ্রেসর ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিং গার্দেনদা পাঙথোকখ্রে। এস.পি. ককচিংগী মখাদা পাঙথোকপা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা ট্রাফিক্কী নিয়মশিং, মোটোর ভিয়েকল এক্ট ২০১৯ অমসুং ভি.আই.পিগা মরী লৈনবা ট্রাফিক্কী দ্যুতিশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি হায়রি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-বিষ্ণুপুর ব্রান্সনা শিনদুনা ঙাইখোং খুলেন বজার মান্দপতা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওই ৪০ রোমা ঈ দান তৌখি।

**সংসদঃ** বিরোধি দলশিংনা তোঙান তোঙনবা হীরমশিংদা চরাংনবা থোকপদগী সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে।

লোক সভাদা অহানবগী ওইনা মীফম য়ৈথোক্লুরবা মতুং নুংথিল পুং অনি তাবা মতমদা অমুক হন্না মীফম ফম্বদা বিরোধি দলশিংনা মখা তানা চরাংনবা থোকপদগী সভাগী মীফম চথুবা য়াখিদে।

লো অমসুং জষ্টিস মন্ত্রি-অরজ্ন রাম মেঘৱালনা হায়-রিএদজসমেন্ট ওফ রিপ্রজেন্টেসন ওফ সেদ্যুল ত্রাইবস ইন এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি ওফ দা ষ্টেট ওফ গৱা বিল-২০২৪ গী মতাংদা ৱা ঙাংবা য়াহনগদবনি। মহাকা হায়-বিল অসি সেদ্যুল ত্রাইবশিংগীদমক য়ামা মরুওইবা বিল অমনি। অদুমওইনমক, বিরোধি দলশিংনা মখোয়গী খোঙজং মখা তানা চথুখি। সভাগী চেয়ারমেননা বিরোধি দলশিংদা মীফম চথুবা য়ানবা হায়জরবসু য়াদবদগী সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি।

ঙসি লোক সভাগী মীফম হেক ফম্বগা সদস্যশিংনা কার্গিল বিজয় দিবসকী ২৬ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী থৌনা ফরবা লান্মীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। সভানা থৌনা ফরবা লান্মীশিংগী মফমদা তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুমবা উৎখি। মসিগী মতুংদা লোক সভা অধ্যক্ষ-ওম বিরলানা ৱাহং পাউহংগী মতম চথুনবা হোৎনরি। অদুবু, বিরোধি দলশিংনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা চরাংনবা থোকপদগী সভাগী মীফম চথুবা য়াখিদে।

রাজ্য সভাদসু ফিভম অদু চপ মান্নখি। অহানবগী ওইনা মীফম য়ৈথোক্লুরবা মতুংদা নুমিৎয়ুংবদা অমুক হন্না মীফম ফমখি। অদুমওইনমক, বিরোধি দলশিংনা

মখোয়গী দাবী তকশিনদুনা চরাংনবা থোকখি। চরাংনবা মরক্তা লৌউ শিংউ অমসুং লৌমী য়াইফ থৌরাং মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা ৱাহং পাউহংগী মতমসি য়ামা মরুওইবনা লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাংশিংগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং লৌখৎনবা হায়খি। মহাকা হায়-লৌমীশিংগী মতাংদা হংল্লকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীনবা থৌরাং তৌরবসু সদস্যশিংনা মদুদা শরুক য়াবা পামখিদে। তুংদা, মন্ত্রিনা বিক্সিৎ ক্রিসি সংক্লব অভিয়ানগী মতাংদা পাউখুম পীখি।

মদুগী মমাংদা,মক্কল নিধি ময়ম (এম.এন.এম) গী মকোক অমসুং শক ইরবা এক্তর-কমল হাসন রাজ্য সভা সদস্য ওইনা ৱাশক লৌখি। মসিগী মথক্তা অতোপ্পা দি.এম.কেগী সদস্যশিংসু ৱাশক লৌখি।

**শিবরাজঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়রি-অহানবা ওইনা বিক্সিত ক্রিসি সংক্লপ অভিয়ানগী মখাদা বৈগ্যানিক লিশিং অনি হেনবনা খুঙ্গং লিশিং ২,৯০০ রোম চৎখি।

রাজ্য সভাদা ৱাহং পাউখুমগী মতমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী চৌহাননা হায়-বৈগ্যানিকশিংনা খুঙ্গংশিংগী এগ্রো ক্লাইমেটিক কন্দিসনগী অকুপ্পা ৱারোলশিং খোমজিনখি। মসিগী মথক্তা লৌমীশিংবু লৈবাক লৈহাও, চুন্নবা মহৈ-মরোং অমদি লৌউ শিংউবগী টেকিকশিংগী মতাংদা খঙহল্লমখি হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ঙসি মোলদ্বিপসতা থুংখ্রে। মহাকপু মালেদা লৈবা রিপাব্লিক স্কারদা গার্ড ওফ ওনর পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। মদুদা মোলদ্বিপসকী রাস্ত্রপতি-মহামদ মুইজ জগা লোয়নখি। শ্রী মোদিবু নোংমৈ ২১ রোম কাপ্পুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

প্রধান মন্ত্রি-মোলদ্বিপসকী মীহুৎ কাংবুশিং উন্নখি অদুগা মোলদ্বিপসকী রাস্ত্রপতিনা কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি-এস. জয়শঙ্কর, নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর-অজিৎ দৌবাল, ফোরেন সেক্রেটরি-বিক্রম মিশ্রি অমদি অতৈ

ভারতকী ওফিসিএলশিং উন্নখি। লৈবাক অনিগী খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি মালেগী কোনুংদা থুংখিবনি। মসি মহাক্কী ওইনা লৈবাক অদুদা চৎপা অহুমলকশুবনি। মহাকপু ইয়ারপোর্টতা মোলদ্বিপসকী রাস্ত্রপতিনা তরামা ওকখি। লৈবাক অনিনা তোঙান তোঙানবা য়ান্ন ৱারোল কয়ামরুম সহি তৌনখি। মোলদ্বিপসকী ৬০ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স নুমিৎনা লাকপদা লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি অমসুং মীয়ামদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ইকায় খুমবা উৎলক্লি।

**বোদি ঃ** ওল মনিপুর বোদি বিল্ডর এসোসিয়েসন (অম্বা) অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসন অনিনা শিনদুনা ১১ রক শুবা মিস্তর খম্বা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ষ্টেট লেবেল বোদি বিল্ডিং কনটেষ্ট ২০২৫, মথং থাগী ১৩ দা ককচিংদা লৈবা পদ্ম রতা ইংলিস স্কুলদা পাঙথোক্লগনি।

**ফেন্সিং ঃ** মনিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসননা শিনদুনা ২১ শুবা গভনরস কপ ষ্টেট লেবেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৫, মথং থাগী ২৭ তগী হৌরগনি।

চেম্পিয়নসিপ অসি ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা ফেন্সিং হোল-সাই এন.ই.আর.সিদা মথং থা আগষ্টকী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি। শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা মখোয়গী মেম্বরসিপকী রেজিষ্ট্রেসন নৎত্রগা রিন্যুয়েল মথং থাগী ২১ ফাওবগী মনুংদা তৌগদবনি।

**ফুটবোলঃ** অনিশুবা প্রেমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিয়েসননা অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**ফ্টবোল ঃ** লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল তুরনামেন্ট দুরান্দ কপগী ১৩৪ শুবা ইদিসনগী ইম্ফাল লেগ থা অসিগী ৩০ দগী খুমন লম্পাক মেইন

ষ্টেদিয়মদা হৌনা শেম শাবা লোইরে। ইম্ফালদা শান্নগদবা গ্রুপ-এফকী অহানবা মেটচতা ত্রাউ এফ.সিগা নেরোকা এফ.সিগা শান্নগনি। মথংগী মেটচ ওগষ্ট ১ দা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমগা রিএল কাশ্মীর এফ.সিগা শান্নগনি। গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচশিং ওগষ্ট ৪ দা ত্রাউ এফ.সিগা রিএল কাশ্মীরগা, ওগষ্ট ৭ তনা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমগা নেরোকা এফ.সিগা, ওগষ্ট ১০ দা নেরোকা এফ.সিগা রিএল কাশ্মীরগা অমসুং অরোইবা মেটচ ওগষ্ট ১২ ত্রাউ এফ.সিগা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমগা শান্নগনি।